ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ঙরাংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চৎথগদবা টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং ঙাক্লবা মথৌ পাঙথোকখিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. এস ইবোমচানা পূল্লিং যৌগৎতুনা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখিবা

য়েম্খোম সঙ্গিতানা ক্লজ-২১গী ৱিন্নর ওইখ্রে
☛ লামায় ২

দি এল এস এ, সেনাপতিনা ওনলাইন এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

লাংঙথেল স্কুল মরিগী মহৈরোয় ২৬৩দা ষ্টদি রিদিং লেম্প খুৎশিন্নখ্রে
☛ লামায় ৫

ইদ-উল-অধাগী থৌরম কোভিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকসি
☛ লামায় ৬

শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী সোসল ৱার্কর ডা. কে মুক্তাম্নানা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা শোকহল্লবা ৱাংজিং খুনৌগী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সতা শেলগী মতেং পাংখিবা

Vol. 45, Issue No. 114 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 19, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

এ এম এম দি সীনা ইদ-উল-জুহাগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএন এস): থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মরু ওইনা মীতৈ পাঙলশিং য়াওনা মালেম পূম্বদা লৈরিবা মুসলিমশিংগী চাউরবা কুম্মৈ ইদ-উল-জুহা লাকপদা ওল মণিপুর মুসলিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী), লিলোং উশোইপোকপীগী মায়কৈদগী কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট পুসম সয়েদ অহম্মদনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। শেংলবা ইস্লাম লাইনীংগী থৌরম অসি লাকপগা ইরোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ-ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা ঈংনা-চিক্লা হিংমিন্নরসি হায়রি।

অশিবা হকচাং দিস্পোজ তৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএন এস): থা অসিগী ১২গী অয়ুক্তা থাঙ্গাল কৈথেলগী কালিবারিগী মফম অমদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী পুলিসনা রিমসতা লায়কন্ননবা পুবদা কনবা নংহৌদনা লৈখিদ্রবা মীওই অদু হয়েং অয়ূক পুং ১০.৩০ ফাওবগী মনুংদা আইদেন্টিফাই তৌদুনা ক্লেম তৌরদ্রবদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অয়াবা লৌরগা দিস্পোজ তৌখ্রগনি হায়না সিটি পুলিস ষ্টেসননা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা সী আর পি সীগী সেক্সন ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

এন আর এফ এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট ইমা মোমোনন লৈখিদবদা নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রনট, মণিপুর (এন আর এফ এম) গী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খঙহৌদনা ইমা মোমোন লৈখিদবা অসিদা লমদম অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমদি মায়োক্লহৌরগনি। লৈবাক ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.২৭ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৯৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৭৭
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫

HL Poll

Q: Numit taranigi total curfew manungda Covid testing amasung vaccinationgi akanba thabak paikhathoubana aphaba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 positive oibagi mashing angakpa fangna hengatlaklibasi hanna test touramdabasing tourakpadagi oigadra?

Yes 83% No 17%

অস! লোইরেহে!

- ঐগী অনৌবা নিয়মনি অদু কান্নগদ্রা?
- ꯑꯩꯒꯤ ꯑꯅꯧꯕ ꯅꯤꯌꯃꯅꯤ ꯑꯗꯨ ꯀꯥꯟꯅꯒꯗ꯭ꯔꯥ?



- সর, সিদি নৌদ্রে মমাঙ চয়োলগীদুনি।
- ꯁꯔ, ꯁꯤꯗꯤ ꯅꯧꯗ꯭ꯔꯦ ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯌꯣꯜꯒꯤꯗꯨꯅꯤ꯫

চহী ৯ লোমগী মমাঙদা মণিপুরগী স্লাউটর হাওসশিং য়েংশিন্নবা কম্মিটি শেমখ্রবসু মথৌ পাঙথোক্লমদ্রে

- মণিপুরদা সেন্ত্রেল নৎত্রগা ষ্টেট লাইসেন্সকী মখাদা স্লাউটর হাওস অমত্তা থল্লমদ্রে
- রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবকশিংসু পায়খৎলমদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পিকচরবসু ঙা মখলশিং খক্তা নত্তনা অচৌবা অমসুং অপিকপা শা মখলশিং চাবগী চাং ৱাংলিবা ষ্টেট অমা ওইরগসু মীয়াম্না চানরিবা শাশিং অদু মীওইবনা চাবদা হকচাংদা কান্নবদগী অমাঙবনা হেনবা শা মখল ওইরব্রা হায়বনচিংবগী ভেরিফিকেসন তৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ওগষ্ট ৫, ২০০১দগী চৎনহল্লক্লিবা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী এক্ট অসিনা পীরিবা রুলশিং ঙাক্না মীয়ামদা চাননবা শাশিং ফংহল্লিব্রা হায়বদুগী মতাংদা য়াচল লাক্লবা মণিপুরগী ওইবা ষ্টেট কম্মিটি অমা চহী ৯ লোমগী মমাঙদা শেমদুনা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবদা কম্মিটি অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লমদ্রে।

মণিপুরগী ওইনা স্লাউটর হাওসশিংগী থবক থৌরম পূন্নমকপু শুপ্না য়েংশিন্নবগীদমক ‘ষ্টেট কম্মিটি ফোর স্লাউটর হাওসেস’ হায়বা কম্মিটি অমা ওক্টোবর ১৯, ২০১২দা মতম অদুগী অন্দর সেক্রেটরি (মাহুদ)না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কন্সিটিট্যুট তৌখি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না শেমখিবা কম্মিটি অদুগী চ্যেরমেননা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাওজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট (মাহুদ) কী সেক্রেটরি/কম্মিস্নরনা চ্যেরমেননি। অদুগা অতৈ মেম্বরশিংদনা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী সেক্রেটরি/কম্মিস্নর, ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলসকী সেক্রেটরি/কম্মিস্নর, লেবর দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি/কম্মিস্নর, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর, সেন্ত্রেল ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা ফুদ সেফটি কম্মিস্নর, ষ্টেট পুলিসকী মীহুৎ অমা, মণিপুর ষ্টেট পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী মীহুৎ অমা, ষ্টেট এনিমেল ৱেলফ্যের বোর্দকী মীহুৎ অমা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নোমিনেট তৌবা শক্লাইরবা মীওই অনী অমসুং মতম মতমগী মতুংইন্না মেম্বরশিং ওইনা খনবা ওফিসর অমসুং এক্সপার্টশিংনা ওইগদবনি হায়খি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না শেল্লিবা ষ্টেট কম্মিটি ফোর স্লাউটর হাওসেসকী থবক থৌরমশিংনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা লক্ষমি নরেন মোদি কৌবা পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর - ৩০৯ ওফ ২০০৩গী ৱায়েলদা পীখিবা দিরেক্সনশিংগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টনা মার্চ ১৫, ২০১১ অমসুং জুলাই ২, ২০১২দা ইদুনা পীরকখিবা ৱারোলশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

লম্লাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনবনা ঐগী পান্দমনি : দেবেন

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ৮- লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোরক্লিবা অচোইবম দেবেন (৪০) না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি লম্লাই এ সীগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : মীওইবা অমা ওইনা পোক্লু রবনিনা হিংলিঙৈ মতম অসিদা লৈবাক্কী করিগুম্বা থবক খরা তৌনিংই। অমরোমদা মীয়ামগী থবক তৌনবগীদমক ভোট লেপ্পনা অদুমক সোসল ৱার্কর অমা ওইনা থবক তৌরম্বসু য়াই। অদুবু হৌখিবা চহী কয়াদগী লম্লাই এ সীগী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুবদা তশেংনা পেল্লক্তবা মরম্না কেন্দ্র অসিগীদমক করিগুম্বা থবক খরা মীয়ামগা পুল্লগা তৌহৈদ্রবদি কেন্দ্র অসি অমুক্কা হেন্না শোকচিনখিবা তারে খঞ্জবদগী মীরেপ অমা ওইগে হায়না থোক্লকখিবনি। এ সী অসিদা খুঙ্গং ৫৩ লৈ, মসিগী মনুংদা তম্পাক্কী খুঙ্গংনা ৩৮নি অদুগা চীংগী খুলনা ১৫ নি। তম্পাক্কী লৈজরিবা খুঙ্গং ৩৮ অসিগী মনুংদা ঙসিসু শুপ্পগী খুঙ্গং ৭/৮ খক্তদা টোটিগী থক্লবা ঈশিং ফংই। অতৈদি ঙসি ফাওবদা থক্লনবা অফবা টোটিগী ঈশিং ফংদবনা লায়ররবা লৌমীশিংনা নম্না লৈবা এ সী অসিগী মীয়াম্না ঈশিং লৈদুনা থক্লি। চীংগী খুলশিংদদি টোটিগী মমি ফাওবা তাদ্রি। হায়দোকপদা ফাওবা য়াম্না ইকায়নিংঙাই ওইবা ৱানি, এ সী অসিদা ঙসিসু খোঙহাম্ফম লেট্রিন ফাওবা মতিক চানা লৈতবা ইমুং কয়া অমা লৈরি। হীরম খুদিংদা শোৎথরিবা ময়াম অসি কোকহন্নবগী থবক সোসল ৱর্কর অমা ওইনা থবক তৌরবদি মপুং ফানা তৌবা ঙম্লোই। মরম অদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

৮-লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

শাশিন্নবা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং রিপোর্টনা ফ্লাইট তোংননবা হোৎনরম্বা নন লোকল ১ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপগী মনুংদা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফ্লাইটশিং তোংদুনা চৎখিগদবা অমসুং এয়রপোর্ট অসিদা থুংলবা মীওইশিংবুসু অকনবা কন্দিসনশিং থমদুনা লায়না অসিগী মায়োক্তা মাঙজৌনবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী শেমজিন শাজিনবা রিপোর্ট পায়দুনা এয়রপোর্ট অসিদগী কোলকটা তম্না এরোপ্লেন তোংদুনা চৎননবা হোৎনরম্বা নন লোকল অমা ফারে।

পুলিসনা ফারবা নন লোকল অদুগী মমিং এম দি অনৱর অলি (৩০) অপোকপা এম দি ইঝার অন্সারি কৌই। ঝরখণ্ডগী ভুল্লি ধনবাদ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিদিক বগানগী কব্রিষ্টান মনাক্তা লৈবা স্মাসের নগরদগীনি। হৌজিক্লা মহাক চুড়াচান্দপুরগী টুইভা রোদকী লমজাংদা লৈবা কৃষ্ণ কন্সত্রক্সন কম্পেনিগী ৱার্ক সাইটতা লোদর ওপরেটর ওইনা থবক তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী কম্পেনি অসিনা নেসনল হায়ৱে ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

নুমিৎ ১০নিগী টোটেল কর্ফিয়ুগী অহৌবা নুমিৎতা পুলিসনা খম থেংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায় পাক্লা লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা মরু ওইবা থবক অমা ওইবদগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিকট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং জুলাই ৯, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অমনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অদু নুমিদাং পুং ৭তগী অয়ূক পুং ৫ ফাওবদংগী ওইরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৬তা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি কর্ফিয়ু অসিগী অহৌবা নুমিৎতা চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পূম্নমক্কী মায়কৈদগী কর্ফিয়ু অসিগীদমক খম থেংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনখ্রে।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরদা ফাওবা পুলিসকী মায়কৈদগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মীওই ২ হাৎপগী কেসতা চেন্নবা ১ নোংমৈ অনীগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস): চৎলিবা কুমজা অসিগী এপ্রিলদা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা থোকখিবা মীওই অনী হাৎখিবগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসতা চেন্নবা মীওই অমা নোংমৈ অনী অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূশিংগা কোন্ননা ফাগৎখ্রে।

পুলিসনা ফাগৎলবা মীওই অদুগী মমিং লেঞ্জাগিন এলিয়জ জোভি হংসিং (৩৭) অপোকপা হেলপাও হংসিং কৌই।, খোমুনলোম ভিলেজদগীনি অদুগা তোঙান তোঙানবা মীওই অনী হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সাইকুল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৬ (৪) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৩০২, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্টনি।

মীওই অনীবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা কেস অসিগীদমক অখন্ননা শেমখিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমগী লুচিংবা কাংপোকপীগী এদিসনেল এস পি (এল ও) থাংখোচোন হাওকিপনা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি কার্থিক মলারিগী মীৎয়েং মখাদা চথুখিবা ওপরেসন অমদা চেন্নরিবা মীওই অসি সাইকুল পি এসকী মনুং চনবা মকোক চীং ভিলেজগী মনাক্তা লৈবা জঙ্গল অমদা লৈরম্বা মহাক্কী লোৎফমদগী ফাগৎখিবনি হায়রি। মঙোন্দগী ঐচ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

নোংইন এফ এম রেদিওগী দিরেক্টর অমসুং ষ্টাফ ১ কোর্টতগী প্রী-এরেষ্ট বেল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা গম্ভির সিংহ সোপিং আর্কেদকী অহুমশুবা ফ্লোরদা ওফিস ওইরিবা ‘নোংইন ৯০.৮ এফ এম রেদিও’ গী দিরেক্টর অমসুং মসিগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ওইরিবী য়াওনা মীওই ২ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতগী এন্টিসিপেটরি (প্রী-এরেষ্ট) বেল লৌখ্রে।

কোর্ট অসিদগী বেল লৌখ্রবশিং অদুদি নোংইন এফ এম রেদিও অসিগী দিরেক্টর য়েন্দ্রেম্বম ইবুংঙোচৌবা (৪৮) অপোকপা ৱাই থেম্বোই, লমদিং নাসিখোং লৈকায় (থৌবাল) অমসুং প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ওইরিবী ক্ষেত্রিময়ুম বেবিলি (৪৬) মপুরোইবা তোঙ্গম অশোক, লংথবাল কুঞ্জনি হায়রি।

মখোয় অনীনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা প্রী-এরেষ্ট বেল প্রেয়রদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না জুন ২১, ২০২১গী নুংথিল পুং ৫দা ‘ইনিদজেনস পিপল ওফ মণিপুর’ হায়বা টোপিক অসিদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অদুগী রিছোর্স পর্সননা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী কোর কম্মিটিগী কনভিনর আর কে রাজেন্দ্র (লেফটিনেন্ট কর্নেল-রিটয়ার্দ) না ওইখি হায়রি।

হায়রিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদু নোংইন ৯০.৮ এফ এম রেদিওনা ব্রোদকাষ্ট তৌখি। ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুরগী কুকি কম্যুনিতিশিংগী ষ্টেটসকী মতাংদা রিছোর্স পর্সন ওইখিবা আর কে রাজেন্দ্রনা ৱা ঙাঙখি। প্রোগ্রাম অদুদা কে এস ঐচ বেবিলিনা প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ওইনা কন্দক্ট তৌখি হায়রি।

প্রোগ্রাম অদু ব্রোদকাষ্ট তৌখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৫দা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেল খরা লাক্লগা গম্ভির সিংহ সোপিং আর্কেদতা লৈরিবা নোংইন রেদিওগী ওফিসতা ৱ্যেদ তৌবদা নত্তনা মসিগী দিরেক্টর অমসুং প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ অনীগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়দুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

পোজিটিভ কেস ২০৮ হস্থরক্তুনা ৯৬৩ থেংনখ্রে, ১১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : চৎলিবা থা অসিগী ওইনা ঙরাংনা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং ১১৭১ থেংনদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পুং ২৪গী মনুংদা থেংনবা পোজিটিভ কেসশিং ওইখ্রবসু ঙসিদি ঙরাং থেংনখিবা মশীং অদুদগী ২০৮ হন্থরগা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৬৩ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ঙরাং মীওই ১৫ শিহনখিবা অদুদগীসু হন্থরক্তুনা মীওই ১১ লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুংথিল থোকপা চরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৬৩ (জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৪৫৭, নুপী ৫০৬) থেংনরে হায়রি। কেসশিং অসি রিমসতা ২২, জেনিমস ৩৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৬৯৪ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২০৯ থেংনবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ২০১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৬৮ থৌবাল ৮১, বিষ্ণুপুর ১০৭, ককচীং ৮৭, উখ্রুল ৩, চুড়াচান্দপুর ১১০, চান্দেল ৩৩, সেনাপতি ৯, তমেংলোং ১৫, জিরিবাম ৭, ফেরজোল ১, নোনে ৪, কামজোং ৩ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৩৪নি হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১১ লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, বিষ্ণুপুর ২, ককচীং ১ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১১ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ১৩৭৬ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭২৩নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২৯৫, রিমস ১৮, জেনিমস ২৪, সী সী সীশিংদগী ১৬৮ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী মীওই ২১৮নি হায়রি। ঙসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

চেন্নবা মীওই ৬কা লোয়ননা লুপা লাখ ৫৫.২০গী হিরোইন ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ইরিলবুং পি এসকী টিম অমা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী নার্কোটিক সেলগী অপূনবা টিম অমনা ক্ষেরগাওগী য়ুথ এথলেটিক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (য়াদা) গী ভোলুন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নদুনা চথুখিবা মায় পাকপা ওপরেসন অমদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ৫৫.২০গী মমল ওইগদবা সাপোন কেপ ২০দা হাপ্পুনা পুরম্বা হিরোইন পাওদর গ্রাম ২৭৬ ফারে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউ মীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা এস পি এন হেরোজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, ঙরাং নুংথিল চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা এস দি পি ও (পোরোম্পাৎ) অমসুং মহাক্কী সুপরভিজন মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী নার্কোটিক সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ দেবকুমারনা লুচিংবা এ এস আই এম দি অজাদ খান য়াওবা অমসুং ইরিলবুং পি এসকী এ এস আই এম দি তমিজুর য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা য়াদাগী ভোলুন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নদুনা সোইবম লৈকায়গী সিটিজন ক্লব মনাক্তা ফ্রিস্কিং অমসুং চেকিং চৎথবদা মীওই অনীখক্তদগী হিরোইন নম্বর ফোরশিং অসি ফাগৎখিবনি।

হিরোইন পাওদরশিং অদুবু তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ২০দা হাপ্লগা পুরকখিবা মীওইশিং অদুনা ময়াং ইম্ফালদগী হৌজিক্লা হাট্টা গোলাপতিদা লৈরবা ৱাসিম অক্রম (২১) অপোকপা এম দি সিরাজউদ্দিন অমসুং ন্যু চেক্কোন্দগী লেন্বা য়ূমখাইবম (২৬) অপোকপা এম দি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এমসু ওফিসকী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইগী বেল এপ্লিকেসন কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস) : জুন ৮গী নুমিদাং পুং ৭.২০ লোম তারকপদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওফিস কমপ্লেক্সতা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্মী হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈনা ফারগা জেলদা থল্লক্লিবা মীওই অদুবু বেল পীবীনবা তৌরকখিবা প্রেয়র সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নবনি হায়বগী চার্জ তৌদুনা পুলিসনা ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লক্লিবা মীওই অদুগী মমিং হুইদ্রোম অজিৎ এলিয়জ লংদাই (৪৬) অপোকপা ঐচ সরতকুমার খগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়নি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর-৮৮(৬) ২০২১নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৭, ৫০৬, ১২০-বি, অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৩, ২০ অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন ৩গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসতা চার্জ তৌদুনা ফাজিল্লগা জেলদা থল্লক্লিবা অজিৎ এলিয়জ লংদাইগী মায়কৈদগী মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা হান্নমা হায়জরকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু মহাক্কী বেল প্রেয়র অদু সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুন ১৭, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অমনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মহাক্কী বেল এপ্লিকেসন অদু রিজেক্ট তৌরকপদগী মহাক্কী লোইনবীনা পিটিস্নর ওইদুনা অমুক হন্না সেসন্স জর্জ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মপুরোইববু মেদিকেল গ্রাউন্দদা বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক কোর্ট অসিনা থা অসিগী ৩দা মহাক্কী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫